**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-05-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৭-০৫-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা ককচিং, তেংনৌপল অমসুং থৌবাল জিলাদগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপগী মীওই ৫ ফারে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী গান্ধিনাগরদা লৈবা মহাত্মা মন্দিরদা ঙসি লূপা কোতি লিশিং ৫,৫৩৬ কী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং হৌদোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি রাস্ত্রপতি ভবনদা ভারতকী মীচম মীয়ামদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা মনা, পদ্মা এৱার্দ য়েন্থোক্লগনি।

**------**

**পুলিস(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা ককচিং, তেংনৌপল অমসুং থৌবাল জিলাদগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপগী মীওই ৫ ফারে।

ঙরাং ককচিং জিলাগী মনুং চনবা চজিং খুনৌদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এল(সোরেপা)গী লালহৌবা অমা ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দসেট অমা ফংখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী মনুং চনবা মোইরেংথেল খুলগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ পি.এল.এগী মীওই অনি ফারে। মখা তানা থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা সমরাম লমখাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অনি ফারে। মখোয় নম হাদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী লুপ অসিগী ওইবা দিমান্দ লেতর অনি, মোবাইল হেন্দসেট অনি অমসুং সিম কার্দ অহুম ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা নাচৌ পন্থোংদগী গ্রাম ১৫২ রোম ওইগদবা হেরোইননি চিংনবা সাপোন কেপ ১৩ গা লোয়ননা মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

**নেহরু(এল) ঃ** পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী লৈখিদবগী ৬১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রদেস কংগ্রেস কম্মিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী বি.টি রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা, সি.এল.পিগী লুচিংবশিং এম.এল.এ, এম.পি, দলগী মকোক থোংবা মীওইশিং অমদি দলগী কর্মিশিংনা শরুক য়াগনি হায়রি। থৌরম অসিদা, পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী মুর্তিদা লৈ শু কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎকনি।

**চেস(এল) ঃ** ৭ শুবা খুরাইজম রাম নরায়ন সাস্ত্রি মেমোরিয়েল চেস ওপন টুরনামেন্টকী ৭ শুবা রাউন্দ ফাওবদা ঐচ.সোমোকান্তনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা মাংজিল থাদুনা চৎলি। এন.ধনেস্বর অমসুং শঞ্জোয় খুমুকচমনা পোইন্ট ৬-৬ ফংদুনা অনিশুবদা লৈ। টুরনামেন্ট অসি মণিপুর চেস এসোসিএসননা খুরাইজম

রাম নরায়ন সাস্ত্রি মেমোরিয়েল ত্রষ্টকা পুন্না শিনবনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী গান্ধিনাগরদা লৈবা মহাত্মা মন্দিরদা ঙসি লূপা কোতি লিশিং ৫,৫৩৬ কী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং হৌদোক্লগনি। প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা-সহরগী মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংশিং পায়খৎপা, রেভিন্যু, হকশেল অমদি ৱাতর রিসোর্সেস য়াওরি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি গান্ধিনাগরদা পাঙথোক্কদবা অখন্নবা থোরম অমদসু শরুক য়াগনি। অকাশবানি পাউমীনা হায়-জমাগর, অহমেদবাদ, গান্ধিনাগর, সুরট অমসুং জ্নাগরদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং হৌদোক্কনি। অহমেদবাদতা লূপা কোতি লিশিং ১গী ফেজ অহুম লৈবা সবরমাতি রিভর ফ্রন্ট প্রোজেক্ট হৌদোক্কনি। প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনাগী মখাদা লূপা কোতি লিশিং ১ হেন্না চংনা শাবা য়ুম লিশিং ২২ সু শ্রী মোদিনা শঙ্গাগনি। হকশেলগী লমদা প্রধান মন্ত্রিনা গান্ধিনাগরদা য়ু.এন.মেহতা কার্দিয়োলোজি ইন্সটিট্যুট শঙ্গাগনি। ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন ১৭ তা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবা লূপা কোতি লিশিং ২,৭৩১গী চেক খূৎশিন্নগনি অমসুং ম্যুনিসিপালিতি ১৪৯ দনা লূপা কোতি ৫৬৯ গী চেক পীগনি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং গুজরাটকী ভুজ অমসুং দাহোদতা লূপা কোতি ৭৭,৪০০ গী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনখ্রে, খরনা শঙ্গাখ্রে।

ভুজতা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা প্রধান মন্ত্রিনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনা ভারতকী শেল থুমগী লমদা চাউনা অহোংবা কয়া পুরক্লগনি। থৌরাং অসিনা মালেমগী গ্রিন ইনর্জিগী মফম অমসু ওইহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা টুরিজম চাউখৎহন্দুনা অমগা অমগা শকখঙ মাইখঙনহনবগী মফম অমা চাউনা কলহনবা ঙমহল্লে অদুবু পাকিস্তাননদি টুরিজম অসিবু টেরোরিজম অমগুমা মীৎয়েং থল্লি। শ্রী মোদিনা হায়-পাকিস্তাননা লৈবাক অদুগী নহাশিংগী

তুংগী পুন্সি মাংহনবনি।

**মুরমুঃ**রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি রাস্ত্রপতি ভবনদা অনিরক শুবা ওইনা ভারতকী মীচম মীয়ামদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা মনা, পত্মা এৱার্দ য়েন্থোক্লগনি। মনা অসি মখল অহুম থোকা খাইদোকই-পত্মা ভুসন, পত্মা ভিভুসন, অমসুং পত্মাশ্রী নি। মনাশিং অসি তোঙান তোঙানবা লমশিং জগোই-ঈশৈ, পব্লিক এফিয়র্স, সোসিএল ৱার্ক, শান্নখোৎনবা, হকশেল, ললোন ইতিকনচিংবদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা মীওইশিংদা পীবনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-মীওই ১৩৯দা পত্মা মনা পীনবা সরকারনা লাউথোকখ্রে। মসিগী মনুংদা-মীওই ৭ তা পত্মা ভিভুসন, মীওই ১৯ দনা পত্মা ভুসন অমসুং মীওই ১১৩ দনা পত্মাশ্রী মনা পীগনি।

**মৈতিঃ** এলেক্ত্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি এস.কৃষ্ণননা হায়রি-মন্ত্রালয় অসিনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা টেকোলোজি অমসুং দিজিতেলগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিলহন্দুনা মপাঙ্গল ওইহল্লগনি। নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি(নিলিট)না শিন্দুনা নাগালেন্দগী কোহিমাদা পাঙথোকপা ইন্নোভেসন এন.ঈ.ৱিক হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী কৃষ্ণননা হায়-নিলিটকী সেন্তর ৫৫ গী মনুংদা ২০দি অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈ। কোহিমাগী সেন্তর অসিনা ময়াম অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মথৌ নিংথিনা তৌবা মফমনি। নাগালেন্দনা লম অসিদা খুমাং চাউশিল্লিবা অসি পল্লদুনা মহাকা হায়-শেল থুমগী লমদা হেন্না মপুং ফাবা ওইহন্নবা নহাশিংদা মতম মতমগী ওইবা স্কিলশিং মতিক চানা ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈ। নিলিটনা থবক ফংবা য়াবা তোঙান তোঙানবা কোর্সশিং হাংদোক্তুনা নহাশিংদা থবক ফংহনবগী চাং হেনগৎহন্নবগী ৱাফমসু পনখি। নুমিৎ হুমিগী থৌরম অসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদগী মীওই কয়া শরুক য়ারি।

**ঈ.সি.আইঃ**ইলেক্সন কম্মিসননা রাজ্য সভা সিট ৮ গী বাইনিয়েল মীখলগী মতম লাউথোক্লে। সিট ৮ অসিগী মনুংদা তামিল নাদুদগী সিট ৬ অমসুং অসামদগী সিট ২ য়াওরি। কম্মিসনগী পাউনা হায়-মসিগী মতাংদা মরি লৈনবা চেরোলশিং মথং থাগী ২ দা থোক্কনি। মীখল মথং থাগী ১৯ দা পাঙথোক্কনি অমসুং নুমিৎ অসিমক্তদা মীখলগী মশিংসু থিগনি। হৌজিক মথৌ তৌরিবা রাজ্য সভাগী সিট ৮ গী মীহুৎশিং লাক্কদৌরিবা জ্‌ন অমসুং জ্‌লাই থাদা মতম লোইরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স ---

মনিপুর মুখ্থৎনবা হোৎনবগী মায়োক্তা হ্যুমেন চেন শেমদুনা মীয়ামা খোঙজং চংশিনখিবা অমসুং গভর্ণরনা এয়রপোর্টতগী হল্লকপগী লম্বীদা মীয়ামা খোঙজং চংশিনখিবদগী হেল্লিকোপ্তরদা কংলা তমা চৎখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সনালৈবাক পাউচেদা-গভর্ণরনা এয়রপোর্টতগী হল্লক্কদবা লম্বীদা মীয়ামা খোঙজং চংশিনবদগী হেল্লিকোপ্তরদা ওইনা হনখ্রে, মীয়াম কিবদগী নাথৈদুনা চেল্লিবসি মশানা মরাল লৈরে হায়বা তাকচবনি হায়বা কোকোমিগী ব্রাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীরদুনা পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক, মণিপুর মেল অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- সেন্ট্রেল ওফিসশিংসু বোইকোট তৌবা হৌরগনি হায়বা কোকোমিগী ব্রাফম অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সকা উনদুনা ওইরিবা ইরাং অসিগী মতাংদা মীফম পাঙথোকবা কোকোমিগী টিম দেল্লি

পাঙখ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক-গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অপুনবা কোবিট নাইতিনগী কেস লিশিং ১,০০৯ য়ৌরে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

এম.এল.এশিং পুনবা ঙমদে, ঙমদে হায়রিবদু নুমিৎ খরনি অসিদা করি লাকপগে হায়বদু মীয়ামা উরগনি হায়না এম.এল.এ সাপম কুঞ্জকেস্বরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

পোকফম পাউচেদা- জেনিমসকী রেসিদেন্ট ডোক্তরশিং ইমর্জেন্সী য়াওনা রুতিন সর্ভিস অমত্তা য়াওখিদ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

চিক্তবা খোই মখল শিজিন্নদুনা মহৈ মরোংশিংগী পোখোক অমসুং মগুন হেনগৎহনবা য়ারে হায়না নগালেন্দ য়ুনিভর্সিতিগী রিসর্সরশিংনা থমখিবা ৱাফম-পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- গভর্ণরনা রাজ ভবন ফাওবা হেল্লিকোপ্তরদা চৎখ্রিবসি মমাঙগী লৈঙাক্তগী পি.আরনা অহোংবা অমত্তা লৈহনদ্রে তাকপনি হায়না এ.আই.সি.সিগী জেনরেল সেক্রেটরি জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- প্লাস্তিক বোতর বেঙ্ক ইন্নিসিয়েতিভকী অহুমশুবা ফেজ ঙরাং নোনেদা হৌদোকখিবা পাউ অনিশুবা হেদলাইনতৌরি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি হর্স মালহোত্রা নুমিৎ হুমিগী খোঙচত্তা মণিপুরদা লাক্কনি হায়বা পাউ- সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**